ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯄꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ওগষ্ট ০২, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১২৮শুবা মশীং

## ৱার ওন দ্রগস

### পুকচেল শেংমিন্নবা মথৌ তারি

ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন্যনসি বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক লিংলকপদগী হৌদোরকখিবনি। মণিপুরদা বি জে পিগী অহানবা লৈঙাক লিংলকখিবদু মার্চ ১৫, ২০১৭তগীনি। অদুবু হৌজিক্কী মণিপুরগী ফীভমদা 'নীদ ওফ দি অৱর' ওইরিবা কেম্পেন্যনসি লৈঙাক লিংলকপা নুমিৎমক্তদগী হৌদোরকপা নৎত্রবসু অনৌবা লৈঙাক্তুনা কুমজা ২০১৮দগী হৌদোরকখ্রে। হৌদোরকপদগী লৈঙাক্তুগী টর্ম মপূং ফানা চত্থরকখ্রে। হৌজিক বি জে পিনসু লুচিংবা, চীফ মিনিষ্টরসু চপ মান্নবা অনীশুবা অনৌবা লৈঙাক অমুক লাকপদগী মখা চত্থরক্লে। চহী খরা চূপ্পা চত্থরক্লবনিনা খঙদ-তাদবা য়াওদ্রে। মীপূম তিংনা খঙনরে। দ্রগকী মায়োক্তা লান্থেংনগদবা লান্মীশিংগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎলক্লে। চীং অমসুং তমগী মীয়াম্না, মহৈরোয় লূপশিংনা চোংথোরক্তুনা ফোংনা শৌগৎনরক্লে। তশেংনমক লানসি মায় পাকপরোমদা ফনা য়াম্না চঙশিল্লক্লে। চঙশিল্লক্লিবা লানসিনা মপূং ফানা মায় পাক্তুনা পজেং ফিরাল থেৎলগা সঞ্জেনথোংগী থোংয়াইদা শামু তোংদুনা লাকপা ওইরসনু। মণিপুরগী লৈমাইদগী ইল্লিগেল দ্রগশিং মরূ ফংনা মুত্থৎপা ঙম্বা ওইরসনু। মখা তানসু ষ্টেটসিগী মফম অমত্তদা ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগ অমত্তা পুশিল্লক্তবা/পুশিল্লকপা ঙমদবা ওইরসনু। চত্থরক্লিবা কেম্পেন/চঙশিল্লক্লিবা লান অসি তঙাইফদনা চঙশিন্দবা য়াদবা/শোক্লদবা য়াদবগী ফীভম লাকপদগী হৌরকখিবনি। মসিগী মরম ময়াম লৈ। অদুবু মরমশিং অদুগী মনুংদা অমখক লৌখৎতুনা য়েংবা য়াবদা মফম কয়াদা দ্রগ দি এদ্দিক্সন/রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং চেঙ্গুম শৌবদৌনা শৌগৎলক্লিবা অসিনি।

অদুবু ফজখ্রবা, তৌদবসু য়াদ্রবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন্যনসি হৌদোরক্লিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন খক্তুগী ওইনা ইন্থোকপা, মঙোন্দা খক্তা কোকথোংনবা মানবগী থৌওংশিং হেক-হেক চত্থনরকই, থোরকই। মসিমক্তি থেংনরক্লিবা অকনবা লান অসিগী অচুম্বা লান্থোং অমসুং লান্থেং নত্তে। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবশিংসি মশাগী মরন্নাইগীতা খন্দুনা হুরানবা থবক তৌরকপনি হায়না লৌগদবনি। মণিপুর মীয়ামগী য়েক্লবা 'ষ্টেট এনিমি' নি হায়দুনা ফাওবা লাউথোকপা য়ানবগী লেজিসলেসন অমা ফাওবা হৌজিক চত্থরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনীশুবা মীফমনা শেমদুনা পুথোক্লবা খন্নগদবনি। চৎনরক্লিবা নার্কোটিক্স দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট, ১৯৮৫গী মথক্তা মণিপুর খক্তুগী ওইবা অহকপা চৈরাক পীবা ঙমগদবা এক্ট অমা শেম্বা ফাওবগী মথৌ তারক্লে হায়না লৌবা য়াই। মরমদি ৱার ওন দ্রগকী কেম্পেন্যনসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কুমজা ২০১৮দা হৌদোকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা লেপ্তুনা চহী ৫ চূপ্পা চত্থরকপনি। হনবা লৈতনা চঙশিল্লকপদগী চীং অমসুং তমগী মীয়াম পূম্নমক হৌনরুবা তৌদনা মসিবু চোঙথোরক্তুনা শৌগৎনরক্লবনি। তাঞ্জাসি য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা মণিপুরদগী অমসুং ষ্টেটসি ফাওদুনা পুখিবা ইল্লিগেল দ্রগশিং নাগালেন্দদা, অসামদা ফারে। অদুগা পুরক্লিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদসু পুলিস পর্সনেলশিং ফাওবা য়াওরম্লে হায়বা থৌদোকসিবু থোকহনফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বগী ৱানি। মতাংসি য়ৌশিল্লকপদদি মখোয়বু লানসিগী মায়োক্তা মসিবু মায়থীহন্নবা হোৎনবা মীওইশিংনি হায়দুনা লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা? হৌজিক ফাওবদা অসিগুম্বা মীওইশিং লৈরম্লিবা অসিনদি মখোয়বু কেম্পেন অসি খক্তুগী নত্তুনা মণিপুর মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়দুনা লৌফম থোকই। য়েক্লবা অমদা য়েংগদবা মিৎয়েং চপ চানা য়েংগদবনি। হেন্না অহকপা এক্ট/রুল শেম্মু হায়দুনা মীয়ামগী লূপশিংনা লাওনরক্লিবসি চুমগনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১) **"পরিনীতা (লুহোংলবী নুপী)"** হায়বা ১৯৬৮দা অহানবা ফোঙবা লাইরিক অসি কনানা ইবা করি লোলগী ওরিজিনেল লাইরিক্তুগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **"মৈতৈ জগোই ১৫শুবা শরুক"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **"মেহরু"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"নুপী/নহাক্কী পুল্লিবা শম্বুলগী মনুংদা/য়াওরি পারী-পুরিগী চয়োমসু/য়াওরি মণি-মুক্তা কয়াসু/হয়েংগী নুমিৎসু।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **"শামু ময়াগী কংক্র ঙান্থক"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৬, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৈঙাক্কী স্কুল ভর্সেস প্রাইভেট স্কুল

### হেক্তা হায়নীংলকই - ৭১৪

### জিতেন নামৈরাকপম

বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি ত্বেলভকী এগজামিনেসনগী ফল লাউথোকখ্রবা মতুংদা মায় পাক্লবা অমদি মীথোই মীহেল্লবা মহৈরোয়শিংবু হরাও তয়াম্না ওকপগী থৌরম মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্তুনা পাঙথোক্লুরি। য়াম্না নুংঙাইবা পাউনি। ক্লব, লৈকায় অমদি স্কুল স্কুলশিংদা মীংচৎ পুরকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপীবা ওইনা খুদোল পোৎকা লোয়ননা মখোয়বু নুংশিনা ওকপীবা হায়বসিসু তৌফম থোকপনি। মহৈরোয় লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইরগা পরিক্ষা থাবা মতমদা টোপ্পর ২৫ ফাওবগী মনুং চল্লকপা, সবজেক্ট টোপ্পর ওইরকপা হায়বসি ইরায় লায়বা থবক্তি নত্তে। লাইরিক কয়া পারকপা, থৱায় য়াওনা হোৎনরকপা, নৈনরকপগী মখা পোল্লি।



খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমনা বোসেমনা লৌবা চহী অসিগী ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনগী ফল লাউথোকপদা টোপ্পর ২৫ খনগৎপদা মহৈরোয় ৮৯গী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী স্কুল অমদি এদেদ স্কুলগী মহৈরোয় অমত্তা য়াওবা ঙমখিদবা অদুনি। মসিগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট স্কুল ৪৭তি মহৈরোয় অমত্তা পাস তৌবা ঙমখিদে। এদেদ স্কুল ৬৭ শরুক য়াখিবদনা স্কুল ১৭তি মহৈরোয় অমত্তা পাস তৌবা ঙমখিদবনি। প্রাইভেট স্কুলগী ওইনদি স্কুল ৫৬৫গী মহৈরোয় ২৯৩১৬ পরিক্ষা থাখিবদা নিল চৎপা স্কুল খরা য়াওরগসু চাংচৎতা পর্সেন্টেজ ৱাংনা পাস তৌখি। ক্লাস ত্বেলভকী ওইনসু গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয় অমত্তা টোপ্পরশিংগী লিষ্টতা চনবা ঙমখিদে, প্রাইভেট স্কুলশিংনা মকোক মথং নাইরগা চৎখি। তৌবতবু এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী ষ্টেটমেন্ট মতুংইন্নদি ক্লাস ত্বেলভকী ওইনা অপূনবা সবজেক্ট ৪৩গী মনুংদা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয়না সবজেক্ট ১৫দা হায়েষ্ট মার্ক ফংবা ঙমখি। এগজামিনেসনগী গভর্ণমেন্ট স্কুলগী পাস পর্সেন্টেজ রেট অসি চাদা ৮৯.২৩দা হেনগৎলক্লে। মসি শীংথাবা য়াবা অমনি। গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং অসি তপ্পা তপ্পা ফগৎলক্লে তাকপনি হায়রি।

গভর্ণমেন্টকী স্কুল হায়রেদনা মীয়ামগী চৈফম ওইদুনতা লাকখিবনি। হন্দক ফগৎলক্লে হায়বগী খুদম চাংদমগা লোয়ননা উৎলিবা অসিসু শীংথানীংঙাই ওইরি। ঐখোয়সু গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা তম্লকখিবনি। হেদ মাষ্টর, টিচিং ষ্টাফ, নন-টিচিং ষ্টাফ পূম্নমক থৱায় য়াওনা, পূক্নিং চঙনা হোৎনবিবা, তাকপী তম্বীরকখিবগী মতুংইন্না ঐখোয়গী স্কুল ইনফ্রাষ্ট্রকচর ৱাৎচরবসু মণিপুরগী ওইনা তেনগী এগজামদা চহী কয়ারক টোপ্পর লিষ্টতা চনবা মহৈরোয় কয়া য়াওখিবনি। হৌজিক্তি থবক্তুগী পোত্থারবা, পোত্থাগদবগী ঙাইদুনা লৈরবা ডাক্টর, ইঞ্জিনিয়র, পুলিস ওফিসর, ব্যুরোক্রেট ওফিসর কয়া স্কুল অদুদগী হৌরকখিবা য়াওরি। হৌজিক্লা অমুক করম তৌরবা? গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা লাইরিক তম্বদা মহৈরোয়শিং ইকায়নবা য়াওরক্লে। মমিং খরা লৈবা স্কুল, হায়র সেকেন্দরি স্কুল খরা নত্তুনা। মতম অদুদগী তম্লম্বনি ঐখোয় লৈঙাক্কী স্কুলদা। ক্লাস অমগা অমগা ফাওদোক ফাওজিন শান্নবা য়াবা, নোংগা ইয়ু য়ুরদনা, স্কুলগী ভেরেন্দাদা ষণ কুল্লম্বগী, ষন্থি, ষণয়ুং, তুমিৎ-তুরাং, হয়িং ৱা-ৱা ইল্লম্বা, পাকা নত্তে লৈবাক্লা থাবা ফ্লোরনি। নিংথম থাগী লৈচিল থাবা মতমদা য়ূমদগী য়েপ্পগা পুরকপা বোড়া লম্পাক্তা থাদুনা নুংশা য়াইনা য়াইনা ওজানা লাইরিক তাকপীগনি। কাংগ্রু, সিলেট (Slate) মূত্থৎল-ইর, মূত্থৎল-ইর ফি মচেৎ, মহী হোম্বী, মতম অদু কাউবা ঙমদে।

অদুগুম্বা বোড়া য়েপ্পগা চৎলকপা স্কুলনা হৌজিক্কী মরোল কাবক কাবক থোরকপগা বা-বা ব্লেক শিপ, ত্বিনকল ত্বিনকল লিটুল ষ্টারদগী হৌরকপা অঙাংনা হেনবা নত্তে। লাইরিক মতম্বী, ওজানা থৱায় য়াওনা তাকপীবগী মওং, শাথীখ্রবা ওজাগী চৈরাক, মীৎ হঙ্গৎনা য়েংখৎপা ঙম্বা নত্তে। য়াইরি পায়রগা হেদ মাষ্টরনা স্কুলগী ভেরেন্দাদা ক্লাস খুদিং ফাওরগা চৎপা, য়েনখা-লুখা, স্কুলগী থোঙনাওদা হায়ফেৎ য়েংলকপদা কল্লাকসি থক-থক নিক্লুরিবনি। মতমদুগী মহৈরোয় পূম্নমক হৈহন্নবা মেৎ মেৎতুনা শেন্নকখিবনি। মতম অদুদা ঐখোয় ইংলিস স্কুল, প্রাইভেট স্কুল করিনো মশক খঙলকখিদে। ঐনা তম্লকখিবা লৈঙাক্কী স্কুল মমিংনা খা-ইম্ফাল হায় স্কুল, মমিং লৈবা অফাওবা মীওই কয়া পুথোকখিবনি। পূম্নমক্কী মমিং পনবা ওইথোক্তবনা অহল ওইখ্রবা খরদং নীংশিংজরবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর ওইরম্বা মাইবম লৈকায়দগী ওজা অমুবা খা-ইম্ফাল হায় স্কুলগী মহৈরোয়নি। মখা চত্থরকপদা নিংথেমচা কারোংদগী আই এ এস, আর কে অঙৌসনা, কৈশাম লৈকায়দগী আই পি এস, সরাংথেম দিনোকুমার, লাইশ্রম লৈকায়দগী ডা. এল জয়কুমার...। কুমজা ১৯৭৮/৭৯ মেত্রিক পরিক্ষাদা মণিপুর পূম্বগী টোপ্পর ওইখিবা ডা. মাধুরি খা-ইম্ফাল হায় স্কুলগী মহৈরোয়নি। অসিদসু নত্তনা, দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা মকোক ওইনা থবক তৌখিবা, আর্মিদা কর্নেলগী থাক্তা থবক তৌবসু য়াওরি। অদুবু ঙসিদি লৈঙাক্কী স্কুলগী ফীভম পূক্নিং নুংশিনীংঙাইগী থাক্তা লৈরে। স্কুলদি মূৎত্রি হায়ববু লুপকদবগুম ঙাইবা জহাজগী থাক্তা লৈবা উবদা নীংবা ওন্থোক্লা কায়নীংঙাইনি।

মহৈরোয়শিংনা পাস য়াম্না তৌরক্ত্রে, টোপ্পর য়াওরক্ত্রে হায়দুনা লৈঙাক্কী স্কুলগী ওজাশিংখক্তদা মরাল পংশি শিজিনবসু চুম্লোই খঞ্জে। অফবা মহৈরোয় পুথোক্কে হায়রগদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফহনবা, ওজা, মমা-মপা অমদি মহৈরোয়শিং থোং চপ মান্ননা হোৎনমিন্নবা চঙলি। ওজাশিং খক্তদসু পংতাই তাইশিনবীরুনু। লৈঙাক্কী স্কুলদা মহৈ তম্লিবা অঙাংশিংগী মমা-মপা ইমুংগী ফীভম নুংঙাই য়াইফবদি ওইরম্লরোই। অঙাংগী মিং চনবীদবা, লাইরিক বোয়, কলম, পেন্সিল, য়ুনিফোর্ম লৈঙাক্লা লেম্না পীরিবদু ফাওবদা নিংথিজনা শীজিন্নদবনা অয়াম্বনি। অঙাংদু বোয় পুরক্লোই, হোম টাস্ক পাড়া ফারকপা-খোৎপা পুরা নিলনি। ফুরিৎকদু মুক ইচু চুরগা, কুদাম তৎলগা মিদ দে মিল চাবা নৎত্রগা সুপরফাইন চেঙ, হৱাই লৌবা লাক্কনি মকোক ইফা ফারগা। ওজানা ময়ূমদগী নমদুনা/ফাদুনা পুরক্লগা হৈয়ু য়াররোইদবা কোক অদুদা নম্ফুদা নূঙদা ঈশিং হৈজিনবগুম্বনি।

খল্লু-খল্লুরগা হেন্না হেন্না নুংশিরকই। মরমদি চহী খুদিংগী লেপ্পা লোইবা নাইদনা পুথোরক্লিবা টোপ্পর বোড়া-বোড়া, কুন-কুম্বা, চাম্মা-লিশীং নখোয়গী চন্নফম কদায়দনো? ওন্থোক্লা পাম্মুজে। নখোয় টোপ্পর ১০০গী মনুংদা মঙা/তরুকখক্তনি মহয় চাবা মী ওইগদবশিংদি। অতৈদি মীয়ামসিগা থবক ফংদবগী প্রোব্লেমসিদগী ৱাখল অসি অসুম অসুম পীকশিল্লকই। পীকপদি য়াদে কমদৌনি। লৈঙাক্কী স্কুলনা টোপ্পর ওইহনসি হায়রগদি টোপ্পর ওইদুনতা লৈরবা মরু ওইনা ইম্ফাল ময়োলগী স্কুলশিংদগী মকোক থোংলক্কদবা মহৈরোয় কুন-কুম্বাদং লৈঙাক্লা পাম্বে অমা তৌরগা লৌশিন্দুনা টেন, ত্বেলভ পরিক্ষা থাহনবীয়ু। মদুদবু টোপ্পর ২৫ ফাওবগী মনুং চনবা ঙমদ্রগদি ঙমদ্রবা হায়দুনি। অঙাংশিংদু লাইরিক্তা থৱায় য়াওহনবীয়ু লৈঙাক্কী স্কুল অমুক্তদি হিংগৎহনসি হায়জনীংই। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৭৯

### ৱাখল ইহুল

### সোরাম ইবোহল লুৱাং

মণিপুরগী লাইশঙদা কৃষ্ণ অমসুং বিষ্ণু লাৎপগী মওং অসিসু নোর্থ ইন্দিয়ানশিংনা তৌরিবা মওং অদুগা খেন্নে হায়না নেসনল মোন্যুমেন্ট ওথোরিটি (এন এম এ) গী চ্যেরমেন এস ঐচ তরুন বিজয়না ফোঙদোক্লম্মী হায়বসি খন্নবা য়াবা ৱাফম অমনি। ৱাফমসিগী মরুমদা অমুক খন্ননীংঙাই ওইরিবদি মান্নফম থোকপদা মান্নদবসি করি করম্বা মওং/ফীভম লৈবদগীনো? অশেংবা হৌরকফম ওইরিবা মফমদা তৌরিবদুগা মান্নদবা মওংদা মফমসিদা তৌই হায়বসিগী মরুমদা লৈরিবসি করিনো হায়বসি শোয়দনা খঙনীংলমগনি। অদুবু এন এম এগী চ্যেরমেন ওইবসিনা মণিপুরদা লাৎলিবা কৃষ্ণ (গোবিন্দ) করম্না শেন্নকখি/ওইরকখি অদুগা লাৎপা হৌরকখিবগী ৱারী তারবদি শোয়দনা ঙকফম থোকই। অদুবু ঙকফম থোক্তে। মরমদি ইরমদমসি মথায় থায়নদগী 'লাইগী লৈবাক লাইরৈবাক' হায়নদুনা লাকইবনি। ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন তৌরিবা ঐখোয়নদি মীরমদা লাৎলিবা কৃষ্ণ অমদি বিষ্ণুগী মরমদা অদু অদা হায়নীংদে। হায়ফমসু থোক্তে। অদুবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াম্না মরু ওইবা ওফিসল, হান্নগী পার্লিয়ামেন্টরিয়ন অমসু ওইরম্বা তরুন বিজয়না খেন্নে হায়বনিনা মীরম লাইনীং পামজবশিংনা খেন্নবগী মরমশিং খরদি খঙনীংলমগদবা ওফিসলদুদা তাকপীফম থোকপ্রা হায়না খঞ্জে। তাকপীরমগনি হায়না খঞ্জরগা তঙাইফদনা লমদমসিদা কৃষ্ণ লাৎপা হৌখিবগী শম্লপ্পা ৱারীদি - তেখাওদা চীংথংখোম্বা মহারাজনা শঞ্জেল্লিঙৈদা তেখাওগী নিংথৌ স্বর্গদেব রাজেশ্বরগী য়াথংদগী হয়েং নোংঙাল্লগা মীয়াম মমাঙদা শামু ফাদবা য়াদে হায়বদগী মত্থায় ৱাদুনা লৈরিঙৈদা চীংথংখোম্বা মহারাজগী মমঙদা কৃষ্ণ মশা লাক্লগা শোয়দনা শামু ফাবীগনি, ৱারুগনু অদুবু হয়েং নঙনা নরমদা হল্লগা কাইনা চীংদা থৈবোং পাম্বী ওইনা হৌরমগে, মদু য়াল্লগা ঐগী (কৃষ্ণ) শকপাল (মুর্ত্তি) শারগা লাৎলু হায়রম্বগী মতুং ইন্ননি হায়বদা ওফিসলদুনা থাজবা ঙমগদ্রা ঙম্লোইদ্রা হায়বদি খঙদ্রে। অশেংবা মীরমগীদনা থৈবোংনা/থৈবোংদগী শাবা শাদবদি খঙদে। অদুবু লমদমসিদা লাৎলিবা কৃষ্ণদি থৈবোংদগী হক্লগা শাবনি হায়বসিদি অচুম্বনিনা মসিগী মরমদা ৱারেং কয়া লমাবম গোজেন্দ্রনা খোমজিনবা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা - রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র হায়বা লাইরিকসিদা য়াওরি।

গোবিন্দগী মীতমসি থৈবোংদগী শাবগী মতাংদা মতেক মতেক ওইনা মথক্কী খোমজিনবা লাইরিকসিগী চেমায় ৮৮শুবগী অরোইবা মকক হৌরকপদা - "চুম্নগী থৈবোং পাম্বী অমা হেক্তা য়াল্লুরগা মীতম শাবা নত্তে। কাইনদগী য়াল্লুরিবা থৈবোং অসি মতম অদুগী মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী কোনুং ওইরিবা লংথবালগী চীংথক্তা খাংপোকশঙ অমা শারগা মদুগী মনুংদা নুশিৎ-নুংশা য়ৈহন্দুনা কংহনবনি।"

চেমায় ৮৯গী অহানবা মকক্তগী - "শাগদৌরিবা মীতম অসি মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা মহাক্কী মঙদা উখিবা শক্তম অদু পাদম লাক্লগা শাগদৌরিবনি। মসিসু অরায়বা অমা নত্তে। শাগদৌরিবা মীশক অদুনা পাউ তারগা ৱাখলনা শাগৎলগা উদা হক্কদবা, ইৎতুনা শেমগদবনি। ৱাফমসিসু অরায়বা অমা নত্তে।"

"নিংথৌনা পেনবীখিবা মীতম অদুবুনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী ওইনা চৈচৎ কুমশীং ১৭৭৯, হিয়াঙ্গৈগী ১১নি পানবা ইরাই নুমিৎতা লংথবালগী কোনুংদা লাৎপা হৌদোকখি।"

মথক্কী লাইরিকসিমক্কী চেমায় ৩৪গী অহানবা মকক্তা - "খৃ: ১৭৭৬ ইংগী নবেম্বর থাগী য়াইফরবা পুংফমদা রাজর্ষিনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজী অমসুং রাসেশ্বরীগী মুর্ত্তিশিং লংথবালগী কাঞ্চিপুর কোনুংগী মশাইগোন্দা নীরুপন তৌদুনা লাৎপা হৌখি অমসুং রাম লীলাসু পাঙথোকখি।"

মতাংসিদা অমুক নৈননীংঙাই ওইরিবদি, লমদমসিদনা গোবিন্দ শাবদা শীজিন্নখিবা থৈবোং পাম্বীগী মতাংদনা - মথক্কী লাইরিকসিমক্কী চেমায় ৮৭ হৌরকপদা - "মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মঙলান্দা লাক্তুনা **কাইনদা হৌরিবা থৈবোং অসিবু তাইবঙগী মপু ওইরিবা মহাক্লা শায়োন তৌদুনা হৌবনি**। নিংথৌবু ঙাইবনি, মহাকপু য়াল্লগা মীতম শাদুনা লাৎনবা তৌরকউ হায়বসি ভাগ্যচন্দ্রনা শামু ফাদ্রিঙৈ তেকখাওদা মঙলান্দা লাইফাও তৌবীরমখ্রবা ৱাফমনি।"

থৈবোং পাম্বীদু য়ানবা হৌবদা ঈ থোরকপদগী ঈ খকখিবা ফাওবগী মতাংদনা লাইরিকসিমক্কী চেমায় ৮৭কী অরোইবা মকক্তগীনা চেমায় ৮৮গী অনীশুবা মকক ফাওবদা অসুম্না - "ঈশ্বরদা থৌনিজরবগী তুংদা, উ য়ানবদুনা উ অদুদা শীংজংনা য়াল্লম্মী। উ অদুদগী ঈ থোরকপা উবদা মীপূম খুদিংমক অঙকপা পোক্লরম্মী।... মখোয়নসু (অঙম-অথৌশিং অদুনা) অঙকপগা লোয়ননা ৱাফমশিং অসি নিংথৌদা পাউদমজখি। নিংথৌনা লাঙ্গোল লুখোইবু খুদক্তা কৌরুনবা মী থাখিরম্মী। মতম অদুদা **লুখোইদি পাখংবগী সুরুংদা লাইগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈরম্মী** অমদি নিংথৌনা মঙোন্দা ঈ থোকপগী মরম হংলম্মী।

**থৈবোং পাম্বী অদু ইবুধৌ (পাখংবা) গী খুদমনি** অদুনা নিংথৌনা মহাক্কী কোকয়েৎতগী ফি মচেৎ অমনা অশোকপা মফম অদুদা পুনশিন্দুনা ঙাকপীয়ু হায়না হায়জৌ হায়না লুখোইনা নিংথৌদা হঙ্গৎচখি। নিংথৌনা মহাক্লা লংজখিবা অরানবা থবক থৌওং অদুগীদমক তাইবঙ মপুনা ঙাকপীয়ু হায়না হায়জরবা কান্দা উ অদুদগী থোক্লম্বা ঈ অদু খকখিরম্মী।"

তাইবঙ মপু ওইরিবা মহাক্কা ইবুধৌ পাখংবগা লৈনবা মরী : হন্দক মে ১৫, ২০২২দা মণিপুরদা লাক্লম্বা নেসনল মোন্যুমেন্ট ওথোরিটি (এন এম এ) গী চ্যেরমেন এস ঐচ তরুন বিজয়না চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লম্বদা য়াওবা -"মণিপুরগী লাইশঙদা কৃষ্ণ অমসুং বিষ্ণু লাৎপগী মওং অসিসু নোর্থ ইন্দিয়নশিংনা তৌরিবা মওং অদুগা খেন্নে" হায়বসি মখা তানা লমদমসিগী ওইবা ফীভমদা অমুক নৈনবা য়ারিবদি এস ঐচ তরুন বিজয়না হায়রম্বসিনা লমদমসিগী হিন্দু লাইনীং/গৌড় লাইনীং চৎপশিংগা ঈনাৎ লাইনীং চৎপশিংগা অনীগী মরক্তা পাউখোং চল্লম্ব্রা হায়বসিনি। ●